ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯨꯟ ꯱꯱, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯷꯶ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, জুন ১১, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ৭৬শুবা মশীং

## মহৈরোয়শিংগী তম্ফম লৈহল্লু

### অরৈবা পান্বৈশিং পুথোক্তুনা হোৎনৌ

চৎলিবা চহী ২০২২গী ওইনা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন, মণিপুর (কোসেম) না লৌদুনা পাঙথোকখিবা হায়র সেকেন্দরি স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট এগজামিনেসন (ত্বেলভ এগজামিনেসন) গী রিজল্ট জুন ৬, ২০২২দা লাউথোকখ্রে/হায়দোকখ্রে। মমাঙঙৈগুম্না ইচম-চম্না কোসেমগী চ্যেরমেন/সেক্রেটরিনা নৎত্রগা এগজামিনেসনগী কন্ট্রোল্লরনা হেক্তা লাউথোকখিবা অদুগা মীদিয়াদা রিজল্ট পীখিবা নত্তে। এদ্যুকেসন মিনিষ্টর মশামক শরুক য়াদুনা ফোর্মেল ফঙ্কসন অমা পাঙথোক্লগা ওফিসল ওইনা ফোর্মেল্লি লাউথোকখিবনি। তৌফম থোকপা থবক থৌরমনি, তৌসনু। অদুবু চোঙথোরক্লিবা ৱাফমদি মণিপুরদা কোসেম লৈরকঙৈদগী পাঙথোরকখিবা ক্লাস ত্বেলভকী এগজামিনেসনশিংগী মনুংদা হন্দক পাস তৌবা মহৈরোয়শিংগী মশীংনা খ্বাইদগী হেল্লি। হায়বদি হন্দক্কী পাঙথোকখ্রিবা এগজামিনেসন অদুদা শরুক য়ানবগীদমক সাইন্স, আর্টস অমসুং কম্মর্সকী মহৈরোয় ২৮,৪০১ এনরোল তৌখিবগী মনুংদা মহৈরোয় ২৮,১৬৬না শরুক য়াখি। অদুগা মসিগী মনুংদগী মহৈরোয় ২৫,৩৭৪ পাস তৌখি। পাস তৌবগী চাং চাদা ৯০.০৯ ওইখি। চাংসিদনি হন্দক চহীগী ওইনা পাস তৌবা মহৈরোয়শিংগী মশীংনা খ্বাইদগী য়াম্বা মশীং ওইরে হায়রিবসি। মসিগী মরম লৈ। হায়বদি মণিপুরদসু কুমজা ২০২০গী মার্চকী অরোইবা চয়োলদগী কল্লবা কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক মায়োক্নরকখিবদগী মসিদগী লাকশিন্দুনা ঙাকথোক্নবা হোৎনরকপদা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি। এক্টিভিটি পূম্নমক থিংজিন্দুনা টোটেল সটদাউন/লোকদাউনগী অথিংবা থম্বদা মহৈশঙশিংসু য়াওখি। মহৈরোয়শিংগী ক্লাসশিং ওনলাইনদা চত্থনখি। মসিনা মরম ওইরদুনা লৱার ক্লাসশিংদগী হৌরক্লগা প্রমোসন পীরকখিবনা ক্লাস ত্বেলভকী এগজামিনেসনদা মহৈরোয়শিংগী মশীং য়ামখৎলকখিবনি। য়াম্না এগজামিনেসন থারবনিনা য়াম্না পাস তৌরকপা মশানা তাবনি।

করিসু কায়দে, পাস তৌবা য়ারে হায়বা মহৈরোয়শিং পাস তৌরকপনি। মরম অসিনা পাস তৌরক্লবা মহৈরোয়শিং অসিগী মনুংদগী খরনা তোঙান তোঙানবা প্রোফেসনল লাইনদা চৎনখ্রবসু জেনরেল লাইনদা মখা তানা তমথনীংলিবা মহৈরোয়শিংগী তম্ফম পীদবা য়ারক্লোই। মণিপুরগী মপান্দা তম্বা ঙম্বা মহৈরোয় খরনা তম্নখ্রবসু লেমহৌরিবশিংগীদি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মখোয়বু একোম্মোদেট তৌনবা থবকশিং হৌজিক পন্থদনা পায়খৎলগদবনি। ষ্টেটসিদা লৈরিবা কোলেজশিংগী ইনটেক্ট কেপাসিটি হেনগৎহনগদবনি। ক্লাস রুম, হোষ্টেল পাকথোক-চাওথোকহন্দুনা প্রেক্টিকেল পাঙথোকপগী মথৌ তাবা লেবোরেটরিশিং কোন্ননবা শেমগৎকদবনি। ইশম-শম্বদা মিং চন্দুনা মখা তানা মহৈ-মশীন তম্নবা মফম-মহৈশঙ কোন্নদবা অমসুং লৈতবগী খুদোংচাদবশিং মায়োক্ন হল্লোইদবনি। হায়রিবা থবকশিংসি মচা নত্তে। য়াম্লবা শেনফমশিং চঙগদবা থবকশিংনি। মসিমক এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টতা এল্লোকেসন তৌদবদগী লৈজরমদবা য়াই। মরমদি মহৈরোয়শিংগী মশীংদি কোন্না হেঙ্গৎলকপনি। হৌজিক বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম) না লৌদুনা পাঙথোকখিবা হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট এগজামিনেসন, ২০২২গী রিজল্টসু অমুক লাউথোরকখিগদবনি। মরম অসিনা মথৌ তাবা শেলশিং লৈরক্লোই হায়বসিদি ককনীংঙাই লৈতনা অচুম্বা ৱাফম ওইরগনি। অদুবু এদ্যুকেসন সেক্টর অসিদি সেক্টর পূম্নমক্তগী খ্বাইদগী মরু ওইবা সেক্টরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবনা অদুঙৈ কোভিদ পেন্দমিক মায়োক্নখিবদা মেজর দিপার্টমেন্টশিংদগী শোইদৎলগা শীজিন্নখিবা অদুম্মাইনা এদ্যুকেসন সেক্টরগীসু হন্দক্কী মতাংসিদা অহোবা লৈহন্দনবা হোৎনগদবনি। অনৌবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা মায়োক্নরক্লিবা শীংনবশিং অসি ইচং থৌনা মায়রোং য়াগদবনি। লাইরিক হৈবা খত্তুনা য়ারক্রে, লাইশু খঙগদবনি, খঙননবা হোৎনগদবনি হায়বা ৱাফম তত্তনা হায়রক্লিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা ঙাঙথোকখিবা ৱাফম থবক্তা ওন্থোক্নবা হোৎনহন্নীংই। হোৎনদবসু য়াদবা থবকনি। মরী লৈনরিবা লৈঙাক, লৈঙাক্কী অতৈ লোয়শঙশিং, ষ্টেকহোল্ডরশিং, মহৈরোয়শিংগী পেরেন্ট/গার্জিয়নশিংনসু অরৈবা মতেং অখাকপা লৈতনা পাংশিন্নদুনা মহৈরোয়শিংদা লাইরিক তম্ফম লৈতবগী খুদোংচাদবা অৱাবা মায়োক্নহল্লক্কনু।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৩

১) **“খুন্নুং ঈশৈ নাচোম”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা খোমজিন্দুনা ফোঙলকপনো?

২) **“নার্গাজুনগী শৈরেংশিং”** হায়বা লাইরিক অসি করি লোলদগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৩) **“ঐ করিসু তৌদে”** হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **“মঙলান খরা শক্তম খরা”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং লাইরিক অসিগী অইবনা কনানো?

৫) **“শজিগী লৈবাক্তা”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?


মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ঈশৈ, ঈশৈ, ঙসি অমদি ঙরাং

## ৱাইরু-ৱাইরুবদা

ঙসাই অয়ূক ফমুংদা লৈরিঙৈদা ঈশৈ অমা মায়েপতা য়াম্না ঙন্না তারকই। তূম্বা অদুম য়াহন্দ্রে। তূম্বা য়াদবা অমনা খোংলকপা ওইরম্বা য়াই। ময়েক্না মী শুম্বা ঈশৈসু লৈ, তূম্বা কায়হনবসু লৈ। মায়েপকী য়াকাইরোল অসিসু ঙনমল্লবদি খোইদৌ শাউগৎলি। লোল খুদিংমক্কী ঈশৈগী ৱাফমনি। ইন্টরনেটকী মতম ওইবনা ঈশৈ মখল শুনা তাবা ফংলকপদা সলাম তৌজরি মরী লৈনবা খুদিংমকপু।

কনাগুম্বা অমনা পুং ২৪গী মনুংদনা ঈশৈ ময়েক অসি কয়া ইবা নংলমগদবগে? হিন্দি ফিল্মগী ঈশৈ ময়েক ইবা অনন্দ বক্সিখোইদি ফিল্ম নম্ফমদা নৎত্রগা সুর পানফমদা হেক্তা ঈশৈ ইবা খুদক খুদক্তা ঙম্মী হায়বা তাখি। চাওরাক্না তাজখিবদা ঈশৈ সুর পাল্লম্বদগী য়ূমদা চৎলসি হায়না হৌগৎলকপদা মমিং লৈরবা ঈশৈ অছা টো হম চলতে হে হায়বদু ইখিবনি হায়বা ৱারী লৈ। অনন্দ বক্সিদি খুদক খুদক্তা ঈশৈ ইবা ঙম্বগী ৱারি তাখি। মণিপুরগীসু কবি সম্মেলন মফমদা খুদক্তা শৈরেং ইবা ঙম্বা ৱাকমাসু অদুম য়াওনৈ। কনাগুম্বনা মদু অফবা নত্তে হায়নবসু য়াওনৈ। মসি ৱাকমা মশা মশানা ইজবা শৈরেং পাথোক্লমদাইদা পুকচেল শেংনা অসুম হায়দোক্নরকপদগী খঙবা ঙম্বগী ৱানি। ঐগী শৈরেং অসি ঙসাই অয়ূক য়াহৌরকপদা খোৎচিল্লকপনি, ঐগী শৈরেং অসিনা ঙরাং নুংদাং তূল্লমদাইদা খোৎহৌবনি হায়বা ৱামাঙ অসি তাবদা শৈরেং অদু তানীংবনা খোরো-খোরো খোৎপা পোকপা ৱাফমনি। য়াম্না থুনা প্রপ-প্রপ ইদুনা মীয়ামদা ফংহনবা অসিসু তরাই তরাইবা থবক অমদি ওইরম্মোই। পীথোরকপা অমা য়াওরবা মী খরখক্তনা ঙম্বা অঙকপা মহৈ অমনি।



শেমি শেম্মিমখৈ ফজখৎলকপা, ৱাহৈ লৈরাং কয়ানা মচু থোক্লা কেবিরগা শৈরেংনা মকা ফন্না শাৎকাইরকপা, শৈরেংগী লৈনাশিংনা হেক হেক লাউথোরকপা, শৈরেং লৈরাংগী লৈনমনা অয়ৌবী থাক্তা নুংশিখৎলকপসু লৈ হায় অহৈবশিংনা ৱারী সুম থেংনরুবদা। খূৎনা হঞ্জিন-হঞ্জিন শোক্লি শোক্লিমখৈ নীংথিবা হেনগৎপা হায়বদু ওইরমাল্লে শৈরেংনা। Robert Frost না মাগী শৈরেং Stopping by the woods ইহান হান্না ইবদু ফজদে খন্দুনা মানা অমুক শেমদোকচৈ, অমুক হেন্না ফজখৎলি। কোন্না ফজরকপদুনা খরা হেন্না লুতকসু তৌনা উই। লুরপ তৌরগা ফজবসু হেনগৎপা লৈ লুবগী নুংঙাইবসু লৈ। মতম অমদা কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রনা লাইরিক ফোঙবা অমদা হায়খিবা তাজখি, শৈরেং পাবা হায়বসি খঙলগা ঙাক্তা নুংঙাইবা নত্তে খঙদবগীসু নুংঙাইবা লৈ হায়দনা। ঐ অদুদা মীৎ খরা পাংবা ঙমখি ও হায়দনা। হৌজিক ইরগা হৌজিক হেক্তা ফজহনবা ঙম্বা অসিমসু য়াম্না হেন্থোইবা গুন অমা য়াওবননি অমসুং মী অমনা পাক্লা হেক্তা ঙম্বা থবক নত্তে অমুক্কা হন্না নীংশিংহল্লি।

ঈশৈদা ঈশৈ ওইবা, ৱাখল্লোল মপূং মরৈ ফাবা, লোল লান্দবা ঈশৈ ময়েক অমুক অমুক মরক্তা তাবা ফংলক্তবা নত্তে হৌজিক্কী মতমগী ঈশৈ ময়েক্তসু। য়াম্না কা হেন্না তাশিল্লুরবা নৈনরুরবা হেন্না হেন্না ফজবা ঈশৈ ময়েক য়াম্না থোরক্কনি, ফংলক্কনি। চহী মতাংসিননি খঙদে তাবদা ৱাখলনা লাম্বা ফংদবননি। ঈশৈদি নুংঙাইখ্রে সুর পানবা, শৈশকপা অমদি শৈথিনবা ময়ামগী ফজবা ওইদৌরিরা অসুম্মাইনা খল্লকপা য়াওরক্তবা নত্তে। মণিপুরদা থম্মোয় হুবা সুর কয়া পানবা শৈরেংবা, খোইথুন্নরবা খোঞ্জেল পুবা শৈশকপা মরাং কায়না লৈরে। মতমসিগী শৈরেংবশিংনা ফজ-ফজবা ময়েক পুথোক্নরক্লে। খরগা হেন্না তাঙনা তাঙনা মীয়াম্না কাউদবা ঈশৈ ময়েকসু য়াওরক্লি। হঞ্জিন্না তানীংবা ময়েক, নীংশিংদুনা অসুম লৈহৌরগদবা ঈশৈ ময়েক। মীনম্বা য়াদবা নীংশিংদুনা লৈগনবা থম্মোয়গী মহৌশানি, ফবু ফজরবদি হৌনরুবা নাইদনা অদুম নীংশিংদুনা লৈ।

***নঙনা লৈনি, ঐনা খোইমুনি*** করিসু কায়দ্রে নৎত্রগা ***নঙনা লৈনি ঐনা, হয়িংখোইনি হায়বা*** করিসু কায়দ্রে। ***নঙনা থাজনি, ঐনা নোংইননি*** করিসু কায়দ্রে অদুবু ***লৈরাং নঙবু পন্থৌ কনাগী মচানো*** হায়বসিদি রাগ নুংঙাইনা তাখৎলকপদা গ্রামার য়াম্না কায়বা মাল্লি। ***করি লৈকোলগী লৈরাংনো*** হায়বদি ধমা অমা তারে ফজরে অদুম য়াই অদুগা ***লৈরাংদুগী পন্থৌ কনানো*** নৎত্রগা ***লৈরাং নঙগী করি য়ূম্নাকনো*** হায়বা তারবদি নুংশিরবা লোলসিগী গ্রামার মীরাইবা তাই। গ্রামার মরক মরক্তা নুংশিরক্তবা য়ারক্তে নীংঙাই চাওবা থম্মোয়না।

অতাবশিংগী দিমান্দনা হেনজিল্লকপনরা খুদক খুদক্তা ইখিবনরা ময়েক খরদি ফৈরেংননা মীতৈলোল লানবদৌনা তৌবা য়াওরক্তবসু নত্তে হায়না অতাবা মশেল চিবোন চিবোন করিনোনে সিবো হায়নবসু য়াওরক্তবা নত্তে। অতাবশিংনা মখল মথেলগী ঈশৈ নুংঙাইজে তাবা নুংঙাইরগবুদি লোইরে। তারিবা মী অদুনা চাউই তৌবগীদি। হৌজিক্তি মখল মথেল ঈশৈনি অকক্নবা লোল অমখক্কী ৱা নৎচদে থকপা লোইরগা লংথোকপা দিস্পোসিবল গ্লাস তৌনা তৌবা তাবা লোইরগা লংথোকপা অহুল্লক শুনা তাবা য়াদবা লোল খুদিংমক্কী ঈশৈ পুথোক্নরে। ঙাইহাক নুংঙাইরগা লোইরে হায়বা মওংদা অতম্নরা থোইনা মদু তানবা শেমখিবা পুথোকপা মানবা ঈশৈ কয়াসুনি। দরকারগী মতুংইন্না শেম্বা ওইরমগনি। তোঙান তোঙানবা লোল কয়াগী ঈশৈশিং থা অমা ফানা চৎনরক্ত্রে হৌজিক্তি, দিস্পোসিবল সোং ওল্লে। মীখলগী ঈশৈদৌনা ঙাইহাক শীজিন্ননবা শেম্বা ঈশৈ। অইবনসু, অশকপনসু, অপানবনসু অদুগা অপানবনসু কোমথোরকপা তারবদি ঈশৈদি করি ওইদৌরিবা? য়াম্না চেকশিঞ্জবা শৈরেংবা কয়াগী মফমদদি মসিগী ফীভমসি থম্মোয় কপচরমগনি। অতাবা ঐখোয়সু হন্দক মরক্তি ফজ ফজবা ময়েক তানীংলকপা নুংমিদাংগী অচিকপা মতম য়াওরক্লি। ফজবা ঈশৈ ময়েক ৱাখলসিনা থির-থিরগা চৎলকই।

তপ্পী-ঈংই হায়রগা ঈশৈনা হেক্তা তানীংবসু ওইরমদ্রি। লাওরে খোংলে নাকোং দ্রম শেগাইরে হায়রগসু ঈশৈ ফজদ্রে খল্লুবসু য়ারমদ্রি। ঈশৈগী ময়েক্কী ৱাহৈ ময়াম অদুনা অমত্তা ওইনা মখূৎ শম্নরগা চৎমিন্নবগী মহুত্তা য়েনগোন্দগী য়েন্নাও নান্থোকপদৌনা পুমচাই চাইরকপদা ঈশৈ তাবশিংনা কপনীংবা ফাওরক্লিবসি। করিগুম্বদা য়াম্না চমদা চম্মনখিবা ৱাহৈ ৱাতা ঙাক্তা ওইমল্লবসু থম্মোয়না অমুক য়ানীংলক্তে। ঈশৈ ময়েক্তা ***হয়েং স্কুল ছুটি থারগা, নখোয়রোমদা কোইরক্কে, ইমান্নবা ময়ামগা লাক্কে, নহাকসু লম্বীদা লৈরম্মু*** হায়রক্লবদি চম্মল্লি। মসিসু মানা মানা পামজবনি কায়দে, অতাবা মখল মখলনি লৈরিবনি কায়দে। ঙাইহাক নুংঙাইহনবা ঙম্বা ইন্টরটেনমেন্ট পীবা হায়বসিসু মথৌ অমনি ইশাগী।

মতম অমগী মণিপুরগী ঈশৈ ময়েক ইবশিংগী ৱাহৈ ৱাতা প্রমান পান্থৈনা য়োল্লম্মী। হৌজিক্লা দাইরেক্ট দাইরেক্টনি, প্রমান পান্থৈ ওইবা ময়েক্কীসু নুংঙাই দাইরেক্ট দাইরেক্ট ইবা ময়েকখক্কী নুংঙাইবসু লৈ। পহারি, অহৈবম শ্যাম, জয়কুমার, এলাংবম নেত্রজিৎ, তোন্বীসনা, বুধচন্দ্র, নবা ভোল্যুম, নবা ভোলকেনো, উশম নিরজিৎকুমার, ললাম্বুং ইমো, নিংঙোম্বম রুপচন্দ্র, অরিবম শ্যাম, জামিনিকান্ত, থোঙাম ইবোচৌ, জমুনা, বিমোলা, বিলাসিনি, ফুরাইলাৎপম ইবোয়াইমা, লাইশ্রম বিরেন্দ্রকুমারনা শরুম্বা ঈশৈ কয়াগী ময়েক্কী লোলনা নাকোয়ননা প্রমান পান্থৈগী তেনজৈনা থম্মোয় তম্না কাপ্পকপনি। শংলাকপম অচৌ, কোনসাবা ইবোচৌ, বি জয়েন্তকুমার, থোইবী দেবী, এম কে বিনোদিনি, রাজেন্দ্র ওক্রম, থাংজম কোরা, কে সী নন্দ, মনি মাইরেম্বম, সোরারেন, ফুলেন্দ্র খাইদেম, বঙ্ক শর্ম্মা, বিরমনি হৈস্নাম্বা, সরত

অরাম্বমনচিংবগী ময়েকশিংদা ঙসিসু ঐখোয় পুমঙাও ঙাওবা হন্দ্রি। লৈরাং খোইমু থম্মোয়, মৈরি, মৈশা, মৈচাক, মেরাগী থাবল, লৈকোল খরা য়াওরগা হঞ্জিন হঞ্জিন শকপা ঈশৈসু থম্মোয়না অমুক অমুক খোইদারক্তে। ঈশৈগী অনৌবা ভোকেব্যুলরি খরসু পুথোরকপা পামলকই। ঈশৈ অমনা ইবগা অমনা খেন্ননা ইনবা হোৎনবা অরাইবদি ওইরম্লোই। শরেং থোংবা ওইরসু নুংতিগী চারবদি হাওজিল্লক্তে থম্মোয়না। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ উমং পেরুক # ৩৪৫

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

মণিপুরগী খরা নেমতক তৌবা অমদি ময়ায় ওইরপ্পা ৱাংবা চীংশিংদা হৌগনবা হীদাক্কী ওইবা মগুণশিং শীংথানীংঙাই ওইনা য়াওবা পাম্বী অমনি উমং-পেরুক হায়বসি। পাম্বী অসি উমং পেরুক হায়না কৌজরবসু ঐখোয়না য়াম্না তোয়না চানরিবা পেরুক পাম্বী অসিগদি য়াম্না খেন্নে মদুদি শাগৈ ফাওবা তোঙাল্লি। উমং-পেরুক পাম্বী অসি ইংলিসতা লিফি মিদো রু (Leafy Meadow-rue), নেপালিদা বজরা (Bajaraa) নৎত্রগা বন্সুলী (Bansulee) নৎত্রগা দামপাতী (Daampaatee), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা থালিকত্রম ফোলিওলোসম (Thalictrum foliolosum DC.) নৎত্রগা থালিকত্রম দেলিঙ্গো (Thalictrum dalingo Buch.Ham.ex DC.) নৎত্রগা থালিকত্রম ভিলোসম (Thalictrum villosum Jacquem ex. Lecoy) হায়না কৌই অমসুং রেনন্‌কুলেসী (Ranunculaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসি বত্তরকপ (Buttercup) ফেমিলি হায়নসু খঙনৈ।

উমং পেরুক হায়রিবা পাম্বী অসি ফুট ৮ ফাওবা ৱাংবা মখোক অদু য়াম্না পাবা অমদি মসা-মরেং য়াম্না লোংবা অদুগা মতম পূম্নমক্তা শংদুনতা লৈবা পাম্বী অমনি। পাম্বী অসি পেরিনিয়ল (Perennial) হায়বদি চহী ২দগী হেন্না পুন্সি। উমং পেরুক অসি হিমালয়গী লমদমশিং নেপাল, ইন্দিয়া, ভুটানদা হৌবগী মথক্তা খা থংবা টিবেটকী মফমশিং, ম্যান্মার, অফ্রিকা, য়ুরোপকী মফমশিং, অৱাং থংবা অমেরিকা, খা থংবা অমেরিকাগী মফমশিং অমসুং খা থংবা চাইনাগী মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা সমুদ্র ঈমাইদগী মিটর ১০০০দগীনা মিটর ৩৪০০ ৱাংবা মফমশিংদা হৌবগী পাউদমশিং লৈ। ইন্দিয়াগী মনুংদা উমং পেরুক হৌবা মফমশিংদি মণিপুর, মেঘালয়া, নাগালেন্দ, হিমাচল প্রদেশ, উত্তর প্রদেশ, বিহার, ৱেষ্ট বেঙ্গল, ওদিষা, মধ্য প্রদেশ, সিক্কিম, অন্ধ্র প্রদেশ অসিনচিংবনি হায়বগী পাউদমসু লৈ। থাইলেন্দ অমসুং ভিএটনামদসু উমং পেরুক অসি হৌই হায়না পাউদল্লি। সিচুৱান (Sichuan) অমসুং য়ুনান (Yunnan) প্রোভিন্সশিং অসিনা চাইনাগী মনুংদা উমং-পেরুক পাম্বী খ্বাইদগী হৌবা মফমশিংনি। হিন্দিদা পীলাজারি (Pilazari), বেঙ্গোলিদা গুর্বিয়ানি (Gurbiani) হায়না খঙনবা উমং-পেরুক পাম্বী অসি হিমালয়গী মফমশিংদনা খ্বাইদগী মরাং কায়না হৌই। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি উমং-পেরুক পাম্বী অসি উখ্রুল, সেনাপতি অমসুং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টশিংদা হৌবা থেংনৈ। উমং-পেরুক অসি লাবা-অমোমগী কয়াৎশিং হকতিন্নবগী থৌওং হায়বদি পোলিনেসন (Pollination) অসি তীল-কাং অমসুং নুংশিৎকী মতেংনা পাঙথোকই। আলকালোইদ মখল খরা মরু ওইনা বর্বেরিন (Berberine), জাত্রোরহাইজিন (Jatrorrhizine), পালমেতিন (Palmatine), থালরুগোসিদিন (Thalrugosidine), থালরুগোসেমিনিন (Thalrugosaminine), থালিসোপিন (Thalisopine), থালিরুগিদিন (Thalirugidine), থালিকার্পিন (Thalicarpine), থালিদেসিন (Thalidasine) অসিনচিংবশিং অসি উমং পেরুক পাম্বীদা য়াওবগী পাউদমশিং লৈ।

উমং-পেরুক পাম্বী অসিদা হীদাক্কী ওইবা মগুণশিং থোইদোক হেন্দোক্না য়াওবগী মথক্তা অরিবা মতমদগী অনা-লায়েংশিংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরকপগী পাউদমশিং লৈ। উমং-পেরুক পাম্বীগী মরা অমসুং মউ অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা নুপীনা থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা অমদি ঈশিং য়াফম তৌদুনা হক্কী ঈশিং চৎপদা য়াম্না লিকপা অমদি নাবদা লায়েংনৈ। পাম্বী অসিগী মউ অদু খোনগুম্বা অমদা শুগাইরগা শেম্বা মলম অদু চাং নাইনা তৈদুনা মখল কয়াগী উনশাগী লায়নাশিংসু লায়েংনৈ।

চোপ্রা অমসুং নায়রনা কুমজা ১৯৫৬তা পীখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না উমং-পেরুক পাম্বীগী মরা অমসুং মউ অদু চাবা তুমদবা, পুক নুংশিৎ কাবা, জোন্দিস হায়বদি নাপু কাবগী লায়না অসিনচিংবশিং লায়েংবদা শীজিন্নৈ। অরুম-লাইহৌ তৌবা, অমাংবা য়ৈখত্তুনা খোঙ হামদোকপা ঙমদবদসু উমং-পেরুক পাম্বীগী মউ অদু শুগাইরগা ঈশিংদা পুং খরা তিংদুনা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা লায়েংনবগী পাউদমসু লৈ। বোর্হাবিয়া দিফ্যুসা (Boerhavia diffusa) হায়রিবা পাম্বী অসিদা উমং-পেরুক পাম্বীগী মউ অদু চাং মান্ননা লৌরগা ঈশিং অফবদা পূন্না শুগায়মিন্নরগা ফিজুম্না ফজনা চুমথোক্লবা মহী অদুনা চাং নাইনা মীৎতা দ্রোপ ওইনা হাপ্তুনা মীৎকী অনাবা মখল কয়ামরুম অমসুং ঙৌদোং থুংলক্কদবদগী ঙাকথোক্নবগী হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী পাউদমসু লৈ।

হায়রিবা অশেম্বা মহী অদু নাইট ব্লাইন্দনেস (Night blindness) হায়না খঙনবা খরা মম্বা অমসুং নুমিদাংগী মতমদা করিগুম্বা পোৎশক অমত্তা উবা ঙমদবা অদুদসু থোইদোক্না কান্নবা ফল পীবা ঙম্মী হায়না গুপ্তা অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ১৯৬২দা পাউদমখি।

গালভেজ (Galvez) অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ২০১৩দা পীখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না উমং-পেরুক পাম্বী অসিদা খোঙ হামথবা, দাইবেটিস মেলিটস টাইপ টু (Diabetes mellitus type 2) হার্ট ফেলর (Heart failure) হায়বদি হার্টকী মথৌ ফজনা তৌবা ঙম্লক্তবা ত্রেকোমা (Trachoma) হায়না খঙনবা মীওইবগী মীৎতা বেক্টেরিয়ানা নাহনবা, ওরিয়েন্টেল সোর (Oriental Sore) হায়না কৌনবা অদুগা ক্যুটেনিয়স লৈসমানিয়াসিস (Cutaneous leishmaniasis) হায়নসু কৌনবা উনশাগী লায়না অসি ফহনবা ঙম্বগী মগুণশিং য়াওই হায়বসিনি।

রানা অমসুং দত্ত (Rana & Datt) না কুমজা ১৯৯৭তা পীখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না দেরা দুন (Dehra Dun) দা লৈবা জোনসারী (Jaunsari) ত্রাইবেল কাঙলূপ অসিনা উমং-পেরুক পাম্বী অসি মীৎ নাবা, নূঙশং থুংবা অমসুং লিননা চিকপদা লায়েং হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ। উমং-পেরুক পাম্বীগী মনা শুগাইরগা শেম্বা মলম অদু চাং নাইনা তৈবদা উরিং থুংবা অদু ফহনবগী মথক্তা পাৎপা অপোম-অতং তৌবদসু তৈদুনা লায়েংনৈ। অরুনাচল প্রদেশকী আদি অমসুং মোনপা ত্রাইবশিংনা উমং-পেরুক পাম্বীগী মউ অদু পীজদুনা মলেরিয়া (Malaria) অসি লায়েংনবগী পাউদমসু লৈ। য়া চীকপা-নাবদা উমং-পেরুক পাম্বীগী মউ অদু শুগাইরগা থোম্বদা য়া চিকপা অদু হন্থহনবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। ●